# ইন্দিয়া অমসুং নেপালনা ইনর্জি সেক্তরদা হেন্না ইনভেষ্ট তৌরগনি



ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ২৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমসুং নেপাল হায়দ্রো পৱার সেক্তরদা পুন্না ইনভেষ্ট তৌমিন্নদুনা অনৌবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎপগী ৱাফম য়ানখ্রে।

কাঠমন্দুদা পাঙথোকপা নেপাল-ইন্দিয়া ইনর্জি জোইন্ট মীটিংদা পুরকখিবা এগ্রিমেন্টকী মতুংইন্না হীরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টদি পাঙথোক্লবগীদমক্তা জোইন্ট টেক্নিকেল টিম অমা শেল্লগনি। মসি ইন্দিয়ানা পীবা প্রপোজেল মতুংইন্ননি। য়ুমশকৈশা নুমীৎতা হৌখিবা অমসুং শগোলশেল নুমীৎতা লোইখিবা কাঠমন্দুগী মীটিং অদুদা লৈবাক অনীনা অহেনবা ত্রান্সমিসন লাইনশিং শেমগৎপা, হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা ত্রান্সমিসন লাইন শেমগৎপগী থবকশিং লোইশিনবা লোয়নন্না অরুন ৩ হায়দ্রো পৱার প্রোজেক্ট অমদি ইনর্জি এক্সপোর্ট অমসুং ইম্পোর্ট মপুং ফাহনবগী ৱাফমশিংসু য়ানখি।

নেপালগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনর্জি, ৱাটর রিছোর্সেস এন্দ ইরিগেসননা থাদোরকপা প্রেস রিলিজ অমগী মতুংইন্না নেপাল অমসুং ইন্দিয়ানা জোইন্ট টেক্নিকেল টিম অমা শেম্নবগী ৱাফম য়ানরে। টিম অদুদা অচৌবা হায়দ্রো পৱার প্রোজেক্ট অমা শাননবা লৈবাক অনীমক্তগী মেম্বর ৩/৩ য়াওগনি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা, নেপাল অমসুং ইন্দিয়ানা হায়দ্রো পৱার ত্রান্সমিসন লাইনশিংদা পুন্না ইনভেষ্ট তৌমিন্ননবগী মথৌ তাবা সজেসনশিং কম্মিটি অদুনা পীগনি। কম্মিটিনা রিপোর্ট অমা সবমিট তৌগনি। মদুদা য়ুম্ফম ওইরগা হায়দ্রো পৱার প্রোজেক্টশিংদা পুন্না ইনভেষ্ট তৌগনি লোয়নন্না ত্রান্সমিসন লাইনশিংসু শেমগৎমিন্নগনি। মীফম অদুদা নেপাল ইলেক্ট্রিসিটি ওথোরিটিনা লাক্লিবা নোংজু থাগী মাঙওইননা ইন্দিয়াদা ইলেক্ট্রিসিটি থাদোক্লনবা সবমিট তৌরকখিবা তোঙান তোঙানবা প্রপোজেলশিং এপ্রুভ তৌবীনবসু নেপালনা হায়জখি।

# দেপ্যুটি জেল সুপরিন্টেন্দেন্ট সুইসাইদ তৌখ্রে

চান্দিগড়, ফেব্রুৱারী ২৫ (এজেন্সী): নরনাওলগী দেপ্যুটি জেল সুপরিন্টেন্দেন্ট কুলদীপ হূদা গুরুগ্রামগী মকদৌলা ভিলেজদা লৈবা মহাক্কী মরী-মতাগী য়ুমদা হূ থল্লগা শিজখ্রে হায়না পুলিসনা ইরাই নুমীৎতা ফোঙদোরক্লি।

প্রিলিমিনরি ইনভেষ্টিগেসনদা হূদা করপসনগী চার্জশিং মায়োক্লখি হায়বগী ইঙ্গিৎ ফংখি। জেলগী ৱার্দেন অনী গেংষ্টর ভিক্রম এলিয়স পপ্লা গুইজর হায়বা নরনাওল জেলদা লৈরিবা অসিদগী লুপা লাখ ১ চাখিবগা মরী লৈননা ফাখি। মতমদুদগী হূদা অমসুং অনিল কুমার জঙ্গ্রা লোৎতুনা লাকখি। জঙ্গ্রা অমসুং হূদানা নরনাওল কোর্টতা এন্টিসিপেটরি বেল অমা এপ্লিকেসন ফাইল তৌখিবদা কোর্টনা মদুবু রিজেক্ট তৌখিবনি। মখোয়না অমুক হন্না পঞ্জাব অমসুং হরিয়ানা হায় কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌখি। মদুসু শগোলশেল নুমীৎতা রিজেক্ট তৌখি। মশক মমিং খঙহন্নিংদবা পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা, হায় কোর্টনা বেল প্লি রিজেক্ট তৌরকপদা থম্মোয় শোকপদগী হূদানা শাথিরবা খোঙথাং অদু লৌখৎখিবা মাল্লি। হূদাবু মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। তৌইগুম্বসুং মহাক ট্রিটমেন্ট চথরিঙৈদা শিখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী ইমুংনদি হূদা অসি শেমজিন শাজিনবা কেস অমদা মরাল শীবীবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

# জে য়ু ঐচকী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখ্রে

অহমেদবাদ, ফেব্রুৱারী ২৫ (এজেন্সী): টেররিষ্টশিংগী মীচঙদা লেপ্লগীদমক জমাইট উলামা-ঈ-হিন্দ (জে য়ু ঐচ)গী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা বিশ্বা হিন্দু পরিষদনা দিমান্দ তৌখ্রে।

অহমেদবাদতা পরিং নাইনা বোম পোকখায়খিবগী থৌদোক্তা চেন্নদুনা কনভিক্সন পীখ্রবশিং শৌগৎলি হায়না জে য়ু ঐচকী প্রসিদেন্ট অর্শদ মাদানিনা লাউথোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ওর্গনাইজেসন্না মখোয়দা লিগেলগী মতেং পীগনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

বি ঐচ পিগী স্পোক্সমেন ভিনোদ বনসালনা হায়খি মদুদি, অহমেদবাদতা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিংদা মরী লৈনবা কেসতা কোর্টতা পীখিবা ৱায়েল পুৱারীদা রেকোর্দ ওইহৌরগনি। মরমদি কোর্টনা চেন্নবা মীওই ৩৮দা শিবগী চৈরাক পীখিবগা লোয়ননা মীওই ১১বুনা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। হৌজিক টেররিষ্ট ৮ থিবা খঙদনা লৈরি। এক্যুজশিং অদুনা কুমজা ২০০৮গী জুলাই ২৬তা অহমেদবাদতা পরিং নাইনা বোম ২২ পোকখায়হনখিবদা মীওই ৫৬ শিখি অমসুং মীওই ২০০ শোকখি। হোস্পিটাল অমদা ফাওবা মখোয়না বোম কয়া পোকখায়হনখি। উহৌবা মীওইশিংগী ৱারোল য়াওদ্রবসু পুলিসনা টেররিষ্টশিংগী নেটৱার্ক অপুম্বা নীংথিনা খঙনবা হোৎনখিবগীদমক্তসু মহাক্না পুলিসপু থাগৎখি।

# ইন্দিয়ানা সিক্যুরিটি কাউন্সীলগী রিজোল্যুসন ঙাইগনি

ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ২৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা য়ুক্রেনগী ফীভমগী মতাংদা ফিরেপ অমা লৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলনা রিজোল্যুসন লৌরকপা ঙাইদুনা মদুগী চপ চাবা মওং-মতৌশিং য়েংখিগনি হায়না শগোলশেল নুমীৎতা ফোরেন সেক্রেটরি হর্শ ভর্ধন শ্রিংলানা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুক্রেনদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভমগী মতাংদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলনা রিজোল্যুসন অমা লৌরকপা য়াবগী ফীভম লৈরে। ঐখোয়না দ্রাফ্ট রিজোল্যুসন অমদি উরে। তৌইগুম্বসুং দ্রাফ্ট রিজোল্যুসন অদুদা অহোংবা কয়া লাক্কনি হায়বসি ছোর্স কয়ানা ঐঙোন্দা খঙহল্লক্লে। অদুনা ইস্যু অসিগী মতাংদা ঐখোয়না চপ চাবা ফিরেপ অমা লাউথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা রিজোল্যুসন অসিগী চপ চাবা মওং মতৌশিং ঐখোয়না য়েংখিগনি হায়না শ্রিংলানা পাউমীশিংগী ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না ৱাফম অসি হৌজিক গ্রাউন্দদা অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্স অনীমক্তা লেপ্তুনা মওং মতৌ হোংলক্লিবা ফীভম অমনি হায়না ফোঙদোকখি। রসিয়ন মিলিটরিনা য়ুক্রেনদা মিলিটরি এক্সন লৌখৎখিবদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়ু এন মোস্কোগী মায়োক্তা রিজোল্যুসন অমা শেম-শারকপনি। রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা নিংথৌকাবা নুমীৎতা য়ুক্রেনদগী তোঙান্না তানবা হোৎনরিবা লমদম অনী হায়বদি দোনেটস্ক অমদি লুহানস্কপু ইন্দিপেন্দেন্ট এন্টিটিশিং ওইনা শকখঙখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরক্লিবা উংখৎনবগী ফীভমশিং হেন্না কনশিল্লকখিবনি।

য়ুক্রেন অসি সোভিয়েট য়ুনিয়ন কায়বদগী কুমজা ১৯৯১দা নীংতম্বা লৈবাক অমা ওইখি। দোনবাস রিজনগী মীয়াম্বু প্রোটেক্সন পীনবগীদমক স্পেসল মিলিটরি ওপরেসন হৌরে হায়না শগোলশেল নুমীৎকী অয়ুক্তা লাউথোকখি। মহাক্না অতৈ লৈবাকশিং মরুওইনা নোংচুপ লোমগী লৈবাকশিংদা রসিয়াগী এক্সন অদুদা খুৎ থিংজিল্লবদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরক্কনি হায়নসু ৱার্নিং তৌখি।

| ঙসিগী রাশি ফল | অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ<br>এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস<br>চীংমৈরোং, ইম্ফাল। |
|---|---|

তাং ২৬।০২।২০২২ইং, থাংজ; অয়ুক পুং ১০.৪০ ফাওবা ফাইরেলগী ২৫ নি পাল্লি, মতুংদি ২৬নি পাল্লনি।

**মেষ:** শীনবা লাঙবা অমদি ঙাংবা-শকপা হৈবনা থৌপাঙবা ঙমগনি। অচুম্বনা মাঙওইনবনা লন তানশিনবসু ঙমগনি। অতনবা অমদি মীতোপ লোয়নবদি লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**বৃষ:** ৱারবসু ৱানা মীয়াম্না পাম্নবা থবক পাঙবনা নুংঙাইবা অমদি ওইজবা ফংগনি। য়েক্নবা ময়েং তাগনি চিংননিংঙাই লৈতে। মীৱাতদি লৌগনু, নমথাক তৌবা লাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনদি চানবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**মিথুন:** অনম তাল্লসু মীকোক থোংবা ৱাগনি অমদি অঙম্বগা মুক্নবা য়াবা লৈ, তপথৌ। নচাক নরলদি চাওখৎপা, ৱাখল থোকপা অমদি ওইজবা তানবদা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজবৈ নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**কর্কট:** হকচাং নুংঙাইজবা, লাইবক ফবা, শেন্দোং চাওনা ফংজবা অমদি পাংঙমদবা থবক পাঙবৈ নুংঙাইজবা লৈ। থৌনা ফুদোকপা মতাং চাগনি, মতম মাঙহনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

**সিংহ:** লৌশিং চাওবনা নুংঙাইবা অমদি অফবা থবক পাঙবা ঙমগনি, মচা-ননাইসু হেনগৎকনি। খুরৌ থাংবা ফদুনা য়েক্নববু ঙমজগনি। মহু-চাওবদৈদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**কন্যা:** লনদি ৱাৎলোই, মীচঙ খোম্বসু য়ারি, নীংহন্নদবা অমদি ইচঙ থৌবা মতাং চাগনি অমদি কান্নগনি। মীরক্তা চঙলগা নুংঙাইজগনি। লৌথোক চাথোক্লিংবদি য়ামগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/হিগোক

**তুলা:** ঐ মঙাইরে চৎলদি নচা-ননাই কায়নগনি, নোল্লুক্নদুম চৎলু। ফংবা য়াবা পনখিনি। অদুবু থৌনাদি হনখিনু, লাইবক ফবনা লন চঙগনি অমদি মফম কনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক লৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক:** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, অশাওবনা নরল ময়েং তাহনবা অমদি য়েক্নবনা পাঙ্গলবা নুমিৎনি। অদুবু য়েৎনরম্বা খরদি ফরনি, মীনা থাগৎপিবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- হায়জবা তাবীগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**ধনু:** হরাওবা নুংঙাইবা, মীচঙ লৈবা, অরাপ্পদগী কান্নবা ফংজবা অমদি য়েক্নবনফাওবা তেংবাঙনীংবা নুমিৎনি। অদুম্নদি ওইরসু হৈ-শিংবা ৱাৎলি, নাইতোম থৌপাঙগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/য়াইঙং

**মকর:** অনম তানবা অমদি চরাংনবনা তোংজবা লৈরোই, হেন্নদুম কায়নবা নংগনি। হান্নদৈ পাঙলকপা থৌরম নত্তনা অনৌবা পায়গনু। য়ারদি অচুম্বনা মাঙওইনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথনা লৈয়ু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**কুম্ভ:** লম খুদিংদা চাওনা মায় পাক্কনি। ঙাং-শকপা হৈগনি, শেল থুমগী লমদা কান্নগনি, ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইগনি অমদি তুংগী পোরম শীন-লাঙবসু য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**মিন:** থবক পাঙগনি, মীচঙ য়াম্বা হেনগনি, য়েৎনরম্বা ফরনি অমদি ইমুং-মনুং লোয়ননা চৎপা ফৈ। শীংবা তান্নবা মফমদদি ৱাগনি, নথক থোংবা লোয়নবনা শাফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ নাপু/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

HL-P/1596/26

**This may be published in Newspaper and TV from the day following the last date for withdrawal of candidature and upto two days before the date of poll**

**Format C-2**

*(For political party to publish in website, Newspapers, TV)*

Declaration about criminal antecedents of candidates set up by the party

*(As per the judgment dated 25th September, 2018 of Hon'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 (Public Interest Foundation & Ors. Vs Union of India & Anr.)*

Name of political party: **Indian National Congress (INC)**

*Name of Election : **12th Manipur Legislative Assembly Election, 2022**

Name of State/UT: **Manipur**

| 1. Sl. No. | 2 Name of constituency | 3 Name of candidate | 4 (A) Pending criminal cases: Name of Court, case No. & status of the case(s) | (A) Pending criminal cases: Sections of the Acts concerned & brief description of offence(s) | 5. (B) Details about cases of conviction for criminal offences: Name of court & date(s) of order(s) | (B) Description of offence(s) & punishment imposed | (B) **Maximum Punishment Imposed.** |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | **32-Wangkhem Assembly Constituency** | **Keisham Meghachandra Singh** | **Special MP/MLA Court, Lamphelpat, Spl. T (SC ST POA) Case No. 01 of 2020 At the stage of Charge Hearing** | **U/s 353/ 506/ 34 of Indian Penal Code, 3 (1) X SC/ST Prevention of Atrocities Act 1989 & 131 (1) (b) (2) Representation of Peoples Act, 1951. Allegation of making obstruction to performing duty of Government Servant who is a Police personnel, threatening to put his service under suspension and allegedly insulting him for being a Scheduled Tribe while he was posted at polling station No. 7/40 Nongpok Keithel Manbi Primary School, Keithelmanbi in connection with Phase II polls of Lok Shaba Election, 2019** | Not Applicable | Not Applicable | Not Applicable |
| 2. | | | **Supreme Court of India, SLP (Cril) No. 9127 of 2021 Stay of the proceedings initiated pursuant to the FIR case pending before the Special MP/MLA Court, Lamphelpat** | **SLP has been filed before the Supreme Court whereby the High Court's order dismissing the Criminal Petition filed for quashing the Fir case has been challenged. The Hon'ble Supreme Court vide its order dated 13-12-2021 has been pleased to issue notice and stay the proceedings initiated pursuant to the aforesaid FIR Case** | Not Applicable | Not Applicable | Not Applicable |

* In the case of election to Council of States or election to Legislative Council by MLAs, mention the election concerned in place of name of constituency.